# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-08-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) চুরাচান্দপুর জিলাদা হেন্দ ফুড এন্দ মাউথ দিজিজ অমদি দেঙ্গি লায়না পাক শন্না শন্দোরক্লিবা অসিগী য়েংলগা অকনবা চেকশিন লৌখৎলে।

২) মণিপুরদগী নেপালদা চৎখিবা মীওইশিং লৈরবদি মখোয়গী লংলা লংজিল খঙনবা হেল্প লাইন নম্বরশিং হাংদোক্লে।

অমসুং

৩) নেপালদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাউদা শিবা মীগী মশিং ৩৮৯ শুরে, ভারত মচা ২৯০ য়াওনা মীওই লিশিং ১৫০০ থিবা খঙদনা লৈরি।

------

দেঙ্গি (এল)ঃ চুরাচান্দপুর জিলাদা হেন্দ ফুড এন্দ মাউথ দিজিজ (ঐচ.এফ.এম.দি) অমদি দেঙ্গি লায়না পাক শন্না শন্দোরকপগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চুরাচান্দপুর অমদি জিলা অসিগী হকশেল বিভাগনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসার চুরাচান্দপুরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- চীফ মেদিকেল ওফিসার- ডাঃ হেনখোনেং মাতে অমদি মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডাঃ কে.ঐচ. সানিয়া মোনিকানা ঙরাং হিরম অসিগা মরী লৈননা পাউগী মীফম অমা সি.এম.ও ওফিসতা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা জিলা অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা মীওইশিংনা করিগুম্বা ইশাদা লাইহৌ অমদি অতৈ চিংনবা লাইওংশিং লাক্লবদি খুদক্তা ডোক্তরশিংগা তান্নবীয়ু।

লাইওংশিং অসি থেংনরবসু মীয়ামা য়ারিবা মখৈ মীপাইবীরোইদবনি। সি.এম.ওনা হায়- জিলা অসিগী মনুংদা লৈরিবা সরকারগী হেলথ সেন্তরশিংদগী টিম ১০ খনগৎলে। টিমশিং অসিনা স্কুল স্কুলদা চত্তুনা মহৈরোইশিং, ওজাশিং অমদি স্কুলগী ষ্টাফশিংদা দেঙ্গি অমদি ঐচ.এফ.এম.দিদগী করমা ঙাকথোক্কনি অমদি লায়েংগদগে হায়বসিগী মতাংদা খঙহনগনি। মসিদসু নত্তনা কালেন থাগী মতমদা নাগনবা লায়নাশিং, দেঙ্গি অমদি ঐচ.এফ.এম.দিগী মতাংদসু হেলথ এদভাইজরিশিং থোকখ্রে হায়রি।

ডাঃ মোনিকানা হায়- জিলা অসিদা লৈরিবা হোস্পিতালশিং অমদি হকশেলগী খুদোংচাবা পারিবা মফমশিংদা লাইওংশিং অসি থেংননবা হান্নদগী হৌনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। মহাকা লাইওং অমা হেক উৎলকপা মতমদা মীয়ামা এন্তি বাইওতিক নত্রগা ডোক্তর তান্নদনা ইশানা হিদাক চাবা তৌবীগনু, য়ারিবা মখৈ মীয়ামা লাইওং অসি থেংনরবদি মহি মনাই য়ামা থকপা অমসুং য়ারিবা মখৈ পোত্থাদুনা লৈগদবনি।

অমরোমদা, জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমারগী মীৎয়েং মখাদা জিলা অসিদা দেঙ্গিদগী ঙাকথোকবা চংশিল্লকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা তিলহাৎ হিদাকশিং অমদি অহেনবা মৈখু কাপথোকবা মেছিনশিং য়েন্থোকখ্রে।

সারকুলর (এল)ঃ নেপালগী অৰাং থংবা শরুক্তা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদুগী য়েংলগা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা লৈবা মীওইশিংনা করিগুম্বা মখোয়গী মরী মতা নত্রগা ইমুং মনুংগী মীওইশিং নেপালদা চৎখিবা লৈরবদি মখোয়গী লংলা লংজিলশিং মখাদা পীরিবা তেলিফোন নম্বর অসিদগী খঙবা য়াগনি।

এ.দি.সি ইম্ফাল ৱেষ্টনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মীয়ামা এস.দি.ও লমফেলগী তেলিফোন নম্বর **70059 56908,** এস.দি.ও পাৎশোইগী নম্বর- **87945 76543,** এস.দি.ও ৱাংগোইগী নম্বর-

**93664 40981** অমসুং দিপ্যুতি কম্মিসনার ইম্ফাল ৱেষ্টকী নম্বর- **70050 14735** তগী খঙবা য়াগনি। মীওইশিং অদুগী মমিং, ফোটো, চহি, মখোয়গী কন্টেক্ট নম্বর, চৎখিবা তারিখ, নেপালদা মখোয়না লৈরিবা মফমশিংগী অকুপ্পা মরোল পীরকবা খঙহল্লক্লি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী ওইনসু মফম অদুদা লৈখিবা জিলা অসিগী মীওই য়াওরগদি জিলা অসিগী দি.সি. ওফিসতা লৈবা ব্রাঞ্চ ওফিসার (এস.দি.সি)গী মোবাইল নম্বর- **96121 92445** নত্রগা ই-মেল দি.সি দিয়াস জিরিবাম এদরেট জি.ও.ভি দোত ইনদা পাউ ফাওবিয়ু হায়না জিলা অসিগী এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

ফেরজোল জিলাগী ওইনা এস.দি.সিগী মোবাইল নম্বর- **81198 98418** নত্রগা ই-মেল দি.সি. দিয়াস ফেরজোল এদরেট মণিপুর দোত জি.ও.ভি দোত ইনদা পাউ ফাওবীরকবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

চুরাচান্দপুরগী ওইনা মোবাইল নম্বর- **93660 12075** নত্রগা দি.সি. দিয়াস সি.সি.পি এদরেট এন.আই.সি দোত ইনদা পাউ ফাওরকবা জিলা অসিগী এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল জিলাগী য়ুনাইতেদ কলেজ লম্বুংগী এন.এস.এস য়ুনিতনা শিন্দুনা নেসনেল স্পোর্টস ডেগা মরী লৈননা ঙরাং কলেজ অসিগী সেমিনার হোলদা য়ুবা সমভাৎ খেল্লো ইন্দিয়া দাইলোগ- খেলকী বাত, পি.এম. কে সাথ পাঙথোকখ্রে। মহৈরোই, এন.এস.এস ভোলুন্তিয়ার, এন.সি.সি কেদেট অমদি কলেজ অসিগী ওজাশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ওনলাইনগী খুত্থাংদা পীবা য়ুবা সমভাৎসু পুন্না তামিন্নখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ওল ইন্

দয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী নেসনেল রেফ্রি থুমলি জোইসিং মোন্সাং অমদি খেল্লো ইন্দিয়া চান্দেল সেন্তরগী ফুটবোল মেন্টর এস.ঐচ. মার্কোনি মোন্সাংগা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শাবগী সেসন অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পুমমকা লৈবাক অসিবু ড্রগ ফ্রি ওইননবা ভিক্সিত নসা মুক্তগী ৱাশক লৌখি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং জিলাদসু তমেংলোং কলেজগী এন.এস.এস য়ুনিত অমদি মাই ভারত তমেংলোংনা শিন্দুনা খেল্লো ইন্দিয়া দাইলোগ, খেলকী বাত পি.এম. মোদিকে সাথ থৌরম তমেংলোং কলেজদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা নহাশিংদা শান্ন-খোৎনবগী লমদা মরুওইবা কয়া খঙহন্নবগী পান্দমদা অমদি মশা ফনা লৈদুনা লৈবাক অসিদগী ড্রগ মরু ফংনা মুত্থৎলশি হায়বগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ওনলাইনগী খুত্থাংদা পীবা ৱারোল পুন্না তামিন্নখি। শান্ন-খোৎনবা অমদি লৈবাক শেমগৎপদা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নশি হায়বা অসিদসু মহেরোইশিং য়াওনা পুন্না ৱাশকমিন্নখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা তমেংলোং ফুটবোলগী কে.আই.সি পৌলন ওনরুৱাননা শান্ন-খোৎনবদা শরুক য়াবনা ড্রগ লান্না শিজিন্নবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বা অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

নেপাল ঃ  নেপালদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাউদা শিবা মীগী মশিং ৩৮৯ শুরে। হৌজিক ফাওবদা ভারত মচা ২৯০ য়াওনা মীওই লিশিং ১৫০০ থিবা খঙদনা লৈরি। নেপালগী জিলা অহুমদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাউ অদুদা ঙরাং খক্তদা অশিবা হকচাং ৯৩ ফংবা ঙমখি।

তিবেৎ অমসুং নেপালগী ওথোরিতিগী মতুংইন্না থিবা খঙদ্রিবা মীওইশিং অসি অয়াম্বনা মীরৈবাক মচা ঙাক্তনি। থিবা খঙদ্রিবশিং অসিগী মনুংদা অয়াম্বনা ভারত মচানি। মসিগী মথক্তা আমেরিকা, মালেসিয়া, য়ুক্রেন, ওষ্ট্রেলিয়া, বৃটেন, কানাদা, সাউথ কোরিয়া, সিঙ্গাপুর, জরমনি

অমসুং রসিয়া মচাশিংসু য়াওরি। নেপাল পুলিসকী পাউ মতুংইন্না থোক্লকপা য়াদনা লৈরম্বা মীওই ৮০০ ঙরাং পুথোরকখ্রে। ভারতনা হৌজিক ফাওবদা তেংবাংগী পোৎলম মেতিক টন ৪৭ খুৎশিন্নখ্রে।

য়োজনা ঃ  প্রধান মন্ত্রি জন ধন য়োজনা ঙসি চহি ১২ মপুং ফারে। য়োজনা অসি ইং কুমজা ২০১৪ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবনি। য়োজনা অসিগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা বেনিফিসরি কোতি ৫৯ হেনবগী বেঙ্ক এক্কাউন্ট হাংখ্রে। বেনিফিসরিশিংগী এক্কাউন্টতা হৌজিক ফাওবদা লুপা কোতি লাখ ৩ লিশিং ৭০ হেন্না হাপখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

আই.টি. রোডতা থোকখিবা এম্বুসকী থৌদোক, রাজ্য সরকারগী হাই লেবেল মাফম পাঙথোকখিবগী পাউ অমদি চাক্লাম খোঙচৎকী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

কুকি খুৎলায় পায়বশিংগী এম্বুসতা খুলগী চেয়ারমেন অমা য়াওনা নাগা মীচম মরি লৈখিদ্রে, অমনা শোক্লে হায়না পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরে। নাগা মরি হাৎখিবগী মায়োক্তা নাগা এরিয়াদা পুং ১২ গী বন্দ কৌখ্রে হায়বা কলর হেদলাইন অমসু পীরি।

আই.টি. রোডগী এম্বুসকী মীহাৎ লৈঙাকা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে, শু নত্রগা পিছ টোঙ্ককী কাদরশিংনা দেজিগনেতেদ কেম্পকী ৱাংমদা খুৎশু খুৎলায় পুদুনা চৎপা হকচিন্না লৌরগনি হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরে।

কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা নাগা মীচমশিংদা অতমনা চখবা মীহাৎ মীপুননি হায়দুনা দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখোনা কন্দেম তৌরক্লি হায়বা কলর হেদলাইন অমসু পীরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা চাক্লাম খোঙচৎ নীংশিং থৌরম হায়বসিনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরে। পাউ অসিদা মীতোপ খন্দোক্লগা সেন্সস তৌগদবনি- এস. মালংবা অমদি সেন্সসকী মমাংদা মীতোপ খন্দোক্কদবনি- ব্রুস পেবম হায়বা সব-হেদলাইনশিং পীরি।

অমিত সাহগী খোঙচৎ দিভলপমেন্ট নত্রগা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা খোঙচৎ ওইগদৌরিব্রা হায়বসিনা সনালৈবাক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলে।

চীফ মিনিষ্টরনা আই.টি. রোডগী থৌদোক কন্দেম তৌরক্লি, হাই লেবেল সেক্যুরিতিগী মীফম চীফ মিনিষ্টরনা চেয়ার লৌদুনা পাঙথোকখ্রে হায়বসিনা মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলে।

গানফিউ মেলদা তমেংলোংদা নোংমগী ওইবা পোলিতিকেল সেমিনার অমা পাঙথোকখিবগী পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলে।

তমেংলোং টাইমসতা আই.টি. রোডতা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীওই মরি হাৎখ্রে, য়ু.এন.সিনা কন্দেম তৌরক্লি অমদি সটদাউন লাউথোকখ্রে হায়বসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরে।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা জিরিবাম লম্বী ফত্তবনা ত্রকশিং চৎপা য়াদবগী মতাংদা অহানবা লমায়দা পাউ অমা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা মালোম মাসাকরগা মরী লৈননা কোর্টনা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল ১১ সম্মোন তৌখিবগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------